জোর্দানদা ইজরেলগী এম্বেসিদা মীওই ২ নোংমৈ কাপ্পদা শিখিবদগী লাইফমগী ক্রাইসিস লুশিনখ্রে

জেরুসালেম, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

জোর্দানদা লৈবা ইজরেলগী এম্বেসিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা ইজরেলি গভর্নমেন্টনা জেরুসালেমগী খ্বাইদগী মুন্নবা লাইফমগা মরী লৈননা থোক্লিবা ক্রাইসিস লোইশিন্নবা হোৎনবগী থবক হেন্না লুশিনহনখ্রে। লাইফম অদুদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী ৱাহৌদগী মুস্লিমশিংনা পাক্তক্লনা প্রোটেষ্ট তৌবা অমসুং কাঙলূপ মশেল খূৎ থোক্লবা য়াওনা ঈরাং কয়া থোক্লকখিবনি।

ইজরেল অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা লৈরিবা মুক্ক বগী ফিভম লোইশিনহন্নবা ট্রুম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী হকথেংননা গ্রাউণ্ডদা শরুক য়াবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিগী মিদল ইষ্ট পাউখোল্লোয় জেসন গ্রীনব্লাটনা লমদম অদুদা খোঙচৎ অমা চৎখি।

থা অসিগী অঙনবদা অরাব গনমেনশিংনা শেংলবা লাইফম অদুদগী ইজরেলি সিক্যুরিটি গার্দ অনী কাপ্তুনা হাৎখিবদগী ঈরাং হেনগৎলকখিবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেলি সিক্যুরিটি গার্দ অনী কাপ্তুনা হাৎখিবদগী ঈরাং হেনগৎলকখিবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেলনা লাইগী খুভম অদুদা মেটল ডিটেক্টরশিং খিনজিনবদগী মুস্লিমশিংবু খোইরাং খোইশাওহনখি। জ্যুশিংনসু লুনা লৌনরিবা জেরুসালেমগী লাইফম অদুবু ঙাক শেল্লিবা মুস্লিম লৈবাক জোর্দাননা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা মুক্কবগী ফিভম লোইশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি।

জোর্দানগী কেপিটেল অম্মানদা লৈবা ইজরেলগী এম্বেসিদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুনা লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা খরা পীরকপা য়াই। অসুম্না জোর্দানগী মীয়াম্না ইজরেলগী মায়োক্তা অকনবা মত কয়া পীনরকপা য়াই হায়রি।

অম্মানগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা এম্বেসিগী ষ্টাফনা শীজিন্নবা মী লৈনবা বিল্ডিং অমদা থোকখিবনি হায়না ইজরেলগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি, জোর্দানিয়ন শিন্মী অনী ফর্নিচর শিন্নবগীদমক্তা রেসিদেন্সিয়ল বিল্ডিং অদুদা থুংলখি। শিন্মী অনীদুগী মনুংদগী পালেষ্টিনিয়ন ওরিজিন ওইবা চহী ১৭ কী নহা অমনা ইজরেলি সিক্যুরিটি গার্দ অমদা স্ক্রুড্রাইভর অমা শীজিন্নদুনা এটেক তৌখি হায়না ইজরেলি মীদিয়ানা ফোঙদোকখি। গার্দ অদুনা নোংমৈ কাপ্পদা নহা অদু শিখি। বিল্ডিংদুগী মপুনি হায়বা অনীশুবা জোর্দানিয়ন অমনা নোংমৈ কাপ্পদুদা শোকখি অমসুং তুংদা শিখি। জোর্দানিয়ন পুলিসনা বিল্ডিং মপু অদু ফিজিসিয়ন অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ইজরেলি গার্দ অদু থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখি হায়রি। ইজরেলি মীদিয়াগী মতুংইন্না জোর্দাননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা ডিমান্দ তৌখ্রে লোয়ননা মখোয়না ইজরেলি এম্বেসিগী ষ্টাফপু বিল্ডিংদু থাদোক্তুনা চৎপা য়াহনখিদ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা জোর্দানিয়ন গভর্নমেন্টগী কম্মেন্ট লৌবা ফংদ্রি হায়রি।

পোলন্দগী প্রসিদেন্টনা কোর্টকী নীংতম্বা মাঙহনগদবা লো অনী ভিটো তৌখ্রে

ৱারসো, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংবু গভর্নমেন্টগী নোমিনিশিংনা মহুৎ শিনবা য়াহনগদবা ৱাথোক ওইরবা লো অনী পোলন্দগী প্রসিদেন্ট অন্দ্রজেজ দুদানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ভিটো তৌখ্রে। রাইট-ৱিং রুলিং পার্টিবু জুদিসিয়রি কন্ট্রোল তৌবা য়াহনগদৌরিবা লো অদু ডিমোক্রেসিগী চৎন-পথাপশিংবু খোঙ্গাওনবনি হায়রদুনা পাক-শন্না কন্দেম তৌনখিবনি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা পোল লীশিং কয়ানা লম্বীশিংদা থোক্তুনা লোশিং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং মখোয়না প্রসিদেন্ট দুদাদা গভর্নমেন্টনা প্রপোজ তৌরিবা লোশিং অদুবু ভিটো তৌনবা তকশিনখি।

জুদিসিয়রি অমসুং রুল ওফ লোগী নীংতম্বদা চৈথেং পীগদবা অনৌবা লোশিং অদু চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবা হায়বসি কোর্টকী এক্সন অমসুং লোগী ওইবা অথিংবা কয়া য়াওনা শাথিবা রিয়েক্সনশিং লাক্কনি হায়না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ৱারসোদা চেকশিনৱা হায়বা লৈখ্রে। কুমজা ২০০৪ দা পোলন্দসু ব্লোক অসিদা য়াওশিনখিবনি।

জুদিসিয়রিদা অসিগুম্বা অহোংবশিং পুরকপনা সিক্যুরিটি অমসুং জষ্টিসকী ৱাখলশিং চেৎশিনহনবা ঙম্লোই হায়না দুদানা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। ন্যুজ কনফরেন্স অদু সুপ্রিম কোর্ট অমসুং জুদিসিয়রিগী নেসনেল কাউন্সিলগী লীদরশিংগা মহাক্কা উনদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাঙথোকখিবনি। সুপ্রিম কোর্ট অমসুং কাউন্সিল অনীমক প্রপোজ তৌরিবা অনৌবা লোশিং অদুগী মখাদা অহোংবা কয়া লাকপগী ফিভম লৈরমখি।

দুদানা হায়খি মদুদি, পোলন্দগী লোকেল কোর্টশিংবু শকখঙগদবা, জষ্টিস মিনিষ্টরদা রিজনেল কোর্টশিংগী মকোকশিং খনবগী পৱার পীগদবা অহুমশুবা বিল অমা মহাক্না সাইন তৌগনি।

পোলশিংনা লৈবাক্কী ফীরালশিং হাইদুনা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা প্রসিদেন্সিয়ল পেলেসকী মপানদা পূনখি অমসুং প্রসিদেন্টবু থাগৎলদুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি। প্রসিদেন্টগী ভিটো অদু লৈবাক অসিগী সিটিশিংদা প্রোটেষ্ট তৌনখিবা পোলশিংগী ওইনদি অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখি।

পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা প্রপোজ তৌরিবা লোশিং য়াওবা বিল অদুবু রুলিং পার্টিনা ইফোং ফোংনা পৱার পূম্নমক পায়শিন্নবা হোৎনরকপা অমনি হায়না ক্রিটিকশিংনা কন্দেম তৌনখি। অমরোমদা গভর্নমেন্টগী মায়কৈদগীদি লৈবাক অদুগী য়াইফনবগীদমক্তা জুদিসিয়রি শেমদোক্নবা তঙাইফদনা খোঙথাং অদু লৌখৎলিবনি হায়না ফোঙদোকখি। হান্না চৎনরকপা মওং অদুদদি প্রিসাইদিং জজশিংনা শিংথানিঙাই ওইনা পৱার পায়রম্মী মরমদি মখোয়না করম্বা জজশিংনা করম করম্বা কেসশিং পায়গদগে হায়বদু খনবা য়ারম্মী। তৌইগুম্বসুং নৌনা চৎনহন্নবা প্রপোজ তৌরিবা অনৌবা লোশিংনদি অখন্নবশিং নৎতনা লোট্টরি অমা পাঙথোক্লগা কেসশিং পায়হনগদৌরিবনি।

কাবুলদা টালিবান সুইসাইদ বোমরনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ হাৎখ্রে

কাবুল, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

টালিবানগী সুইসাইদ এটেক্কর অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কাবুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা কার বোম অমা পোকখায়হন্দুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিহনখ্রে অমসুং ৪০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখ্রে। অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা অফঘান কেপিটেলদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু সিয়াইট হজারা কাঙলূপকী মীওইশিংনা মশিং য়াম্না লৈবা সিটিগী শরুক অমদা লৈবা গভর্নমেন্টগী ডেপ্যুটি চীফ ইগজিক্যুটিভকী ময়ুমগী মনাক্তা থোকখিবনি। ব্লাষ্ট অদুগী মতুংদা পুলিসনা থৌদোক থোকফমদু মী চঙহন্দনা থমখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী সুইসাইদ বোমিং অদু অফঘানিষ্টানদা হনবা লৈতনা থোক্লিবা মীশি-মীনাগী ঈরাংগী অতোপ্পা থৌদোক অমনি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্নমেন্ট অমসুং নেটোনা লূচিংবা কোলিসননা অফঘানিষ্টানবু কন্ট্রোল তৌবগী মায়োক্তা লাল হৌরিবা টালিবাননা হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা এটেকশিং চৎথখি। টালিবানগী অসিগুম্বা অকনবা লাঞ্জং অসিনা মরম ওইদুনা প্রোভিন্স কয়ামুক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা মখোয়গা লাল শোক্লখি।

‘ঐহাক্না ঐগী দুকানদা লৈরিঙৈদা কিনিঙাই ওইরবা মখোল অমা তাখি অমসুং দুকানগী থোংনাওশিং কায়খি, হায়না মফমদুদা লৈবা অলি অহম্মদ কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী এক্টিং স্পোক্সমেন নাজিব দানিশনা হায়খি, কার বোম পোকখায়বদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিখ্রে অমসুং ৪০ না অশোক-অপন নংখ্রে, তৌইগুম্বসুং অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই।

সিটিগী হোস্পিটালশিংগী ডিরেক্টর সলিম রাসৌলিনা হায়খি, য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং অশোকপা মীওই ১৭ হোস্পিটালশিংদা পুখৎখ্রে। ত্বিটরদা থাগৎলকখিবা ৱারোল অমদা টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুলাহ মুজাহিদনা এটেক অদু ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অসিনা পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে। মহাক্না গ্রুপ অসিগী এটেক অদুদা ইন্টলিজেন্স ৩৭ হাৎখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি। টালিবাননা অফঘান গভর্নমেন্ট অমসুং মীরৈবাক্কী টার্গেটশিংদা এটেকশিং পাঙথোকপদা থোক্লিবা মীশি-মীনাশিংগী মশিং হেঞ্জিন-হেঞ্জিন্না হায়জিনবসি তোইনা থোকই।

থা অনী চুপ্না কুপশেন শেন্নরকখিবা বস অনীদা টার্গেট তৌদুনা এটেক অদু চথখিবনি হায়না মুজাহিদনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্সকী অপিকপা বস অমা ব্লাষ্ট অদুদা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়না গভর্নমেন্টগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

মীচমশিংগী ভেহিকল অহুম অমসুং দুকান ১৫ বোম পোকখায়বদুদা মাঙ-তাকখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী অহানবা থা তরুক অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীচম ১৬৬২ শিখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা সুইসাইদ বোমিং অসি কেপিটেলদা লৈবা মোস্ক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা শাথিরবা এটেক অমা চথখিবগী মতুং চয়োল অনী লৈরগা থোক্লিবনি। ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখি।

অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা প্রোভিন্সশিং বাঘলান, বাদক্সন অমসুং কুন্দুজ লোয়ননা খা থংবা কান্ধার, হেলমন্দ অমসুং উরুজগনদসু টালিবাননা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা লাল শোক্লখি।

হেজবোলানা তম্পাক ১ পায়শিনখ্রে

বৈরুট, জুলাই ২৪ (এজেন্সি) :

সিরিয়া-লেবানন বোর্দর পরিংদা লৈরিবা জিহাদিষ্টশিংবু তকথোক্লবগী খ্বাইদগী নৌবা লান্দা ওইনা হেজবোলানা হায়খ্রে মদুদি মখোয়গী ফোর্সশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিনি মুস্লিম মিলিটেন্টশিংগী মখূৎতগী ষ্ট্রেটেজিক তম্পাক অমা মুনখ্রে।

সিয়াইট মুস্লিম হেজবোলানা হায়খি, ট্রুপ অসিগী ফোর্সশিংনা জুরাউদ অর্সলগী ৱাদি অল-খেল তম্পাক্তা চিংশিনখি। জুরাউদ অর্সল অসি অল কাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা মিলিটেন্টশিংনা বেজ অমা ওইনা শীজিন্নবা করিমক্তা ফংদবা চীংগী বোর্দর জোন অমনি।

মায়কৈ কয়াদগী চঙশিনবা অদুনা হেজবোলাবু নুশ্রা ফ্রন্টকী এরিয়া অদুদা লৈরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা এরিয়া অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহনখিবনি। ইরাই নুমিৎতা হেজবোলা অমসুং সিরিয়ন আর্মিনা চথখিবা লান্দা অদু মরু ওইনা অল কাইদাগী নুশ্রা ফ্রন্ট হায়না খঙনবা হান্নগী সিরিয়া ব্রাঞ্চকী মিলিটেন্টশিংদা মীৎয়েং থমখি হায়না হেজবোলাগী মিলিটরি মীদিয়া য়ুনিটকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যানমারগী ঈচাউদা মীওই ২ শিখ্রে মীওই লীশিং কয়া ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রে

য়াঙ্গোন, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

ম্যানমারগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী লৈবাক অসিগী মীওই ১,০০,০০০ হেন্না ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রে। মীওই অনী শিখ্রে অমসুং তুরেল লৈরাইশিং কা হেন্না থুমজিনখিবদগী বুধিষ্ট পাগোদা অমা ঈশিং ঈচেলনা চেন্থখ্রে হায়না ওফিসলশিং, লোকেল মীয়াম অমসুং ষ্টেট মীদিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা শরুক্তা জুলাইগী অঙনবা শরুক্তগী কুমগী নোং কা হেন্না কন্না চুরকখিবদগী তুরেলগী ঈমায়শিং ৱাংখৎলকখি অমসুং মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখি। মীওই কয়া অৱাংবা লমশিং থিদুনা চেন্নখি হায়না ডিজাষ্টর রিলিফকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ঈচাউগী ফিভম খরমখৈ লাকশিল্লে তৌইগুম্বসুং করি অমুক থোক্লক্কদগে হায়বদু নোং-চীংগী ফিভমগী মখা পোনগনি হায়না সোসল ৱেলফেয়র, রিলিফ অমসুং রিসেট্টলমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ডিরেক্টর জেনরেল কো কো নাইংনা ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা ঈচাউনা ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই ১,১৬,৮১৭ তচিঞ্জাক অমসুং অতৈ তেংবাংশিং পীখি।

ঈচাউগী ঈশিং মতম শাংনা হন্থখিরোইদবা মফমশিংগী মীওইশিংগীদমক্তা মতম শাংনা চৎকদবা লৈফমশিং শেম-শাখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সগাইং রিজনদা মীওই অমা ঈরাক্লদুনা শিখ্রে অমসুং চিন ষ্টেটতনা মীওই অমা তুরেল মচা অমা লানবদা ঈরৈনা চেন্থখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

য়াঙ্গোনগী অৱাংদা কিলোমিটর ৫২০ লাপ্পা লৈবা পাকোকুদা বুধিষ্ট লাইনিংবা অমনা পুথোরকখিবা ভিদিও অমনা পাগোদা অমা ইরাৱাদি তুরেলগী অকনবা ঈরৈ মরক্তা তপ্ন-তপ্না লুপশিনখিবগী শক্তম উৎখি।



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR:IMPHAL

CORRIGENDUM
Dated, the 21st July, 2017

No.MU/3-158/14/Aca(Pt.)/370: The contents of page Nos.10 and 11 of Manipur University Prospectus for Admission to MA/MSc/MCom/MCA/MLISc 2017-18 related to Department of English are corrected as follows:

DEPARTMENT OF ENGLISH AND CULTURAL STUDIES (10)

Programmes of Studies

M.A., Ph.D., D.Lit.

Faculty Members

Sl.	Name	Designation	Areas of Interest
1	Prof. M. Mani Meitei	Professor, Dean & Head	20th Century Fiction, Post Colonial Literature, Modern Theory, Folklore
2	Prof. Th. Ratankumar Singh	Professor (on Lien)	American Literature, 20th Century Anglo-American Poetry, Post Modern Literary Theory & Criticism
3	Dr. I. Gambhir Singh	Assoc. Professor	Language (ELT), Sociolinguistics
4	Shri Ksh. Khoidong Singh	Asst. Professor (S-2)	American Literature
5	Dr. R.K. Ashalata Devi	Asst. Professor (S-2)	Commonwealth Literature
6	Dr. N. Banita Devi	Asst. Professor (S-2)	Commonwealth Literature
7	Dr. Ph. Jayalaxmi Devi	Asst. Professor	Diaspora Literature
8	Dr. M. Linthoinganbi Devi	Asst. Professor	Indian English Fiction

Course Structure: M.A. English and Cultural Studies

Semester I Code	Course Name	*Semester II* Code	Course Name
ENG-101	British Poetry-I	ENG-201	British Poetry II
ENG-102	British Drama-I	ENG-202	British Drama II
ENG-103	British Novel-I	ENG-203	Literary Criticism
ENG-104	Introduction to Linguistics	ENG-204	Culture and Literature

Semester III Code	Course Name	*Semester IV* Code	Course Name
ENG-301	British Novel-II	ENG-401	American Literature- II
ENG-302	American Literature-I	ENG-402	Postcolonial Literature
ENG-303	Indian English Literature	ENG-403	Literature in Translation: New Horizons
ENG-304	Culture, Literature and Epic Traditions	ENG-404	Literary Theory.

Elective Courses
Course No.I – New Literatures in English
Course No.II – Communicative English Skills

DEPARTMENT OF FORESTRY AND ENVIRONMENTAL SCIENCE (93)
THE INTAKE SEAT OF M.Sc. IN FORESTRY – 16 AND M.Sc. IN ENVIRONMENTAL SCIENCE-16

HL-B/4036/25
Sd/- David K. Zote, Joint Registrar

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ
অৱাবা ফোঙদোকপা

The Welfare Club, Sagolband Tera Amudon Akham Leikai গী হৌখিবা চহীগী মতমদা, জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা Shri R.K. Ramananda না খঙহৌদনা হৌখিবা তাং ১৯/৭/২০১৭ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ৱেলফেয়র ক্লবকী শঙলেন্দা ঙসি তাং ২৪/৭/২০১৭ ইংদা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা মীফম অদুদা Shri R.K. Ramananda গী থৱায়না তাইবঙ মপুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ফোঙদোকচরিবা : Ch. Jiban Singh, General Secretary,
The Welfare Club, Sagolband Tera
Amudon Akham Leikai.

HL-P/2252/25

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/**থাগৎচরি**

Thinungei GP Ward No. 1 অমদি 2 দা লৈবা ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা নংলবশিংগী রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংদা OXFAM, PRDA, Bishnupur, K. Govindas (MLA), Thokchom Somabati, Zilla Parishad, NHPC গী Worker Union, (SDO) Bishnupur, Thinungei GP গী প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা অৱা-অনা তারিবশিংদা মতেং তৌবীরকপগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা : Oinam Birmangol
Toupokpi Thinungei GP Ward No.-2

HL-P/2250/25

ꯖꯄꯥꯅꯤꯖ ꯑꯦꯅꯁꯦꯐꯂꯥꯏꯇꯤꯁ
জপানিজ এনসেফলাইটিস

NVBDCP

- জপানিজ এনসেফলাইটিস (জে ঈ) অসি মহিক পল্লবা **ক্যুলেক্স কাঙ** অমোমনা চিকপদগী থোকই।
- জে ঈ অসি কাঙশিংনা মহিক পল্লবা ওকশিং, লম্লক্কী উচেকশিংনচিংবদগী জে ঈ মহিকশিং পুরক্লগা অমসুং মীওইবদা চিক্লগা শন্দোকই। তৌইগুম্বসুং মীদগী মীদা শন্দোকপদি লৈতে।
- জে ঈগী লাইওংশিংদা লাইহৌ, কোক চিকপা, ঙকশম ফাজিনবা, ৱাখল তারক্তবগী ফিভমনচিংবা য়াওই।
- জে ঈগী চপ চাবা লায়েং লৈতে। জে ঈগী কেসনি হায়না চিংনরবদি অনাবদু হোস্পিটালদা থাগদবনি।
- কনফার্মেটরি টেষ্টকী খুদোংচাবা জেনিমসকী মাইক্রোবাইওলোজি ডিপার্টমেন্টতা লেম্না ফংগনি।

থিংনবগী পাম্বৈশিং :

◆ তিকা থাবনা জে ঈ থিংনবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈনি। নহাক্কী থা ৯-১২ অমসুং ১৬-২৪ গী অঙাং খূদিংমক তিকা থাদোকউ।

◆ কাঙনা চিকহন্দবা, অচোনবা অকোম্বা ফিজোল শেৎ-চাবা অমসুং কাঞ্জল থারগা তুম্বা।

◆ তঙাই ফদ্রবদি, কাঙ হিদাকশিং শীজিন্নৌ।

ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, এন ভি বি ডি সি পি, মণিপুর

HL-B/4038